# অঙ্কারাদা অমুক হন্না কার বোম পোকখায়বদা মীওই ৩৮ শিখ্রে, ১২৫না অশোক-অপন নংখ্রে



অঙ্কারা, মার্চ ১৪ (এজেন্সী) ঃ

টর্কিগী কেপিটেল অঙ্কারাগী মী চিনবা ট্রান্সপোর্ট হব অমদা ঙরাং কার বোম অমা পোকখায়রখিবদা য়ামদ্রবা মীওই ৩৪ শিখ্রে অমসুং ১২৫না অশোক-অপন নংখ্রে। এটেক অদু থা ১গী মনুংদা সিটি অদুগী মরু ওইবা এদমিনিষ্ট্রেসনগী মফমদা চথুরকখিবা অদুগুম্বা অনীরকশুবা এটেকনি।

কিলোমিটর কয়া থাপ্পা মীয়াম্না মখোল তাখিবা কিনিঙাই ওইরবা কার বোম পোকখায়বা অদুদা মরু ওইবা কোর্ট হাউস অমা, জষ্টিস অমসুং ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিশি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগী হান্নগী ওফিসতগী মিটর ১০০ রোমগী এরিয়াদা মৈ চাক্লুবা অকায়-অতোয়গী শরুকশিং চাইরগা তারকখি।

“ঐখোয়গী লৈবাক্কী অমত্তা ওইবগী শক্তম অমসুং লৈবাক অসিগী তং-তাবগী ফীভমদা অকিবা পোকহন্নবা চথুরক্লিবা এটেকশিং অসিনা টেররিজম থেংনবগী ঐখোয়গী থৌনা অমসুং ফিরেপ্পু ময়েং তাহনবা ঙম্লোই, তশেংনমক এটেকশিং অসিনা ঐখোয়গী ফিরেপ হেন্না চেৎশিনহল্লগনি” হায়না টর্কিশ প্রসিদেন্ট টায়িপ ইর্দোগনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

সিক্যুরিটিগী সিনিয়র ওফিসলশিংনা রোইটর্জদা হায়খি, অহানবগী ওইনা থীজিনবদা কর্দিশশিংগী ওটোনোমিগীদমক্তা চহী ৩০ রোম লাল হৌরকখিবা কর্দিশটান ৱার্করস পার্টি (পি কে কে) নৎত্রগা মসিগী এফিলিয়েট গ্রুপ অমনা এটেক অদু চথুখিবনি হায়বসি চাউরাক্লা খঙবা ঙম্লে। খুদক্কী ওইনা লালহৌবশিংগী মায়কৈদগী ক্লেম তৌরকখিবদি লৈতে।

তৌইগুম্বসুং ইন্টরিয়র মিনিষ্টর ইফকান অলানা হায়খি, অহানবগী ইনভেষ্টিগেসনশিং লোইশিল্লবা মতুং নিংথৌকাবা নুমিৎতা এটেক অদুবু পাঙথোক্লিবা গ্রুপতুগী মমিং লাউথোক্লগনি।

“ঙসি নুমিদাং অথেংবদা টেররিষ্টশিংনা বোমনা থন্না য়াওবা কার অমা শীজিন্নদুনা বস খাম্ফম অমদা ঙাইদুনা লৈজবা সিভিল্যান সিটিজনশিংদা টার্গেট তৌদুনা এটেক তৌখ্রে” হায়না প্রাইম মিনিষ্টর অহমদ দাভুতোগলু, ইন্টলিজেন্স এজেন্সীগী মকোক অমসুং সিক্যুরিটি চীফশিংগা উনরবা মতুংদা অলানা পাউমীশিংদা হায়খি।

থীজিনবদা খঙবা য়াবা কয়া খঙবা ঙম্লে, তৌইগুম্বসুং এটেক অসি পাঙথোক্লিবা ওর্গনাইজেসন অদু থীজিনবগী থবক লোইরগা লাউথোক্লগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

নেটোগী মেম্বর লৈবাক অমা ওইরিবা টর্কিনা হৌজিক সিক্যুরিগী থ্রেট কয়ামরুম মায়োক্লরি। য়ু এসনা লূচিংবা কোলিসনগী পার্টনর অমা ওইনা লৈবাক অসিনা য়ুম্লোন্নবা সিরিয়া অমসুং ইরাকতা ইস্লামিক ষ্টেটকা লান্থেংনরি। খা নোংপোক্তা লৈবাক অসিনা পি কে কেগী মিলিটেন্টশিংগা লান্থেংনরি। পি কে কেগী মিলিটেন্টশিংগা চহী অনী মখায় সিজফায়র তৌনরক্লবা মতুংদা হৌখিবা জুলাইদগী নাকল অনীনা অমুক হন্না খুৎ থোক্লুবা হৌখিবনি।

## রিফ্যুজিগী ওজা নুপীনা দোল্লর মিলিয়নগী এৱার্দ ফংখ্রে

দুবাই, মার্চ ১৪ (এজেন্সী) ঃ

পালেষ্টাইনগী রিফ্যুজি কেম্প অমদগী ওজা অমনা ঙসি য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন অমগী গ্লোবল টিচর এৱার্দ ফংখ্রে। মহাক্না ইন্দিয়া য়াওনা মালেমগী লৈবাক কয়াদগী অতৈ ফাইনেলিষ্ট মাপনবু মায়থিবা পীদুনা য়াম্লবা শেনফমগী এৱার্দ অদু ফংখিবনি।

দুবাইদা পাঙথোকপা গ্লোবল এদজ্যুকেসন অমসুং স্কিলস ফোরমগী চহীগী ওইবা থৌরম লোইশিনবদা রিফ্যুজি কেম্পতগী খনগৎলকখিবা ওজা নুপী অদুনা ভার্কি ফাইন্দেসনগী প্রাইজ অদু ফংখিবনি।

মহাক্না রেদলাইট দিষ্ট্রিক্ট কমাটিপুরাগী অঙাং নুপীমচাশিংবু মহৈ তম্বীরিবা মুম্বাইদা লৈবা শেন্দান লম্বীগী নত্তবা স্কুল অমা রন তৌরিবা ইন্দিয়াগী রোবিন চৌরাসিয়া অমসুং অতৈ ফাইনেলিষ্ট নিপানবু মায়থিবা পীখি।

“ঐহাক্না হোৎনবদা মায় পাকপা ঙম্লে। পালেষ্টাইননা মায় পাক্লে। ঐখোয় ১০মক পৱার লৈ, ঐখোয়না মালেমদা অহোংবা পুরকপা ঙমই” হায়না চহী ৪০ রোমগী লেঙ্গা ওইবা পালেষ্টিনিয়ন ওজা নুপী হনন অল হরৌবনা ভীদিও লিঙ্ককী খুথাংদা মহাক্কী মমিং লাউথোরকপদা হরাওবা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি।

## মিলিটেন্টশিংগী লোৎফমদা এটেক তৌখ্রে, মীওই ১৮ হাৎখ্রে



রিয়াদ, মার্চ ১৪ (এজেন্সী) ঃ

য়েমেনগী সাউদর্ন পোর্ট সিটি অদেনদা লৈবা অল-কাইদাগী মিলিটেন্টশিংগী ষ্ট্রোংহোল্ড অমদা সাউদিনা লূচিংবা হেলিকোপ্টরশিংনা ঙরাং অহিং চথুখিবা এটেকশিংদা য়ামদ্রবা মীওই ১৮ শিখ্রে হায়না মেদিকশিং অমসুং সিক্যুরিটিগী ওফিসল অমনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। এটেক অদু মিলিটেন্টশিং অদুবু মফমদুদগী তকথোক্লবা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

এটেক অদু য়েমেনগী প্রসিদেন্ট অবদ-রাবু মনসৌর হাদিবু সপ্পোর্ট তৌবা সাউদিনা শৌগৎপা ফোর্সশিংনা য়েমেনগী খা নোংচুপতা লৈবা টাইজ কন্ট্রোল তৌনবা কন্না হোৎনরিঙৈদা চথুখিবনি। হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা সাউদিনা শৌগৎপা ফোর্সশিংনা মিলিটেন্টশিংগী লোৎফম ওইবা মফম অমা এটেক তৌদুনা পায়শিনখিবনি।

অল-কাইদা অমসুং ইস্লামিক ষ্টেটকী ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংনা মখোয়গী কন্ট্রোল হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্নবা উংখৎনবা ফীভম লৈরিবদুগী খুদোংচাবা লৌখি। মরু ওইনা প্রসিদেন্ট হাদিগী সপ্পোর্টরশিংনা ইরানগা মীচঙ ওইনবা হৌথিশিংবু তান্থোক্লবা হোৎনরিবা এরিয়াশিংদা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংনা খোঙদাশিন্নবা হোৎনরকখিবনি। ইস্লামিষ্টশিংনা মীৎয়েং চঙলিবা মুক্লবগী ফীভম লৈবা লমশিং অদুদা অদেন অমসুং লাহেজ প্রোভিন্সশিংসু য়াওরি।

ৱিটনেসশিং অমসুং মেদিকশিংনা হায়খি, সাউদিনা লূচিংবা কোলিসন্না নোর্থ অদেনদা লৈবা মিলিটেন্টশিংগী ষ্ট্রোংহোল্ড অমা ওইরিবা অল-মানসৌরা দিষ্ট্রিক্টতা মখোয়না শীজিন্নবা গভর্ণমেন্ট কম্পাউন্দ অমদা অমসুং অরমর্দ ভেহিকলশিংদা এটেক তৌখি। কোলিসনগী মায়কৈদগী এটেক অদুগী মতাংদা খুদক্কী ওইনা কম্মেন্ট অমত্তা পীরকখিবা লৈতে হায়রি।

মেদিকশিংনা হায়খি, এটেক অদুদা পুন্না মীওই ১৮ হাৎখ্রে। মখোয়গী মনুংদা মিলিটেন্টশিংনি চিংনবা মীওই ১৭ অমসুং মীচম অমা য়াওখি। য়ামদ্রবদা মীচম অমসুং মিলিটেন্ট ২৩ শোকখি। সিক্যুরিটি ফোর্সকী মীওই অহুমসু অশোকপশিং অদুদা য়াওরি।

মিলিটেন্টশিংনা লোৎতুনা লৈবা অল-মানসৌরা দিষ্ট্রিক্টকী এরিয়া অমা সিক্যুরিটিনা মীচমশিং চঙহন্দনা থম্বগা লোয়নননা সাউদিনা লূচিংবা কোলিসনগী প্লেনশিংনা এরিয়া অদুদা চেজাইশিং চাইথদুনা মীশিংদা য়ুমদা লৈনবা অমসুং মিলিটেন্টশিং লৈবগী পাউ ওথোরি-টিশিংদা পীননবা খঙহনখি হায়রি।

## অল-কাইদাগী গনমেনশিংনা সী বিচতা এটেক তৌখ্রে, য়ুরোপিয়ন ৪, লান্মী ২ য়াওনা ১৬ হাৎখ্রে

গরান্দ বসম, আইভরি কোষ্ট, মার্চ ১৪ঃ

ৱেষ্ট অফ্রিকাদসু ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংগী থবক থৌওংশিং য়ৌশিল্লক্লে হায়বা তাকপা শাথিরবা এটেকশিংগী মনুংদা ইনৌ নৌবা ওইনা ঙরাং আইভরি কোষ্টকী বিচ রিজোর্ট টাউন অমদা অল-কাইদাগী নোর্থ অফ্রিকান ব্রাঞ্চকী গনমেনশিংনা য়ুরোপিয়ন মরি য়াওনা মীওই ১৬ হাৎখ্রে।

কম্মর্সিয়েল কেপিটেল অবিদজানদগী নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ৪০ রোম লাপ্পা লৈবা নোংচুপলোমগী লমকোয়বশিংনা পাম্নবা গ্রান্দ বসমগী বিচতা লৈবা হোটলশিংদা সুটর তরুক্লা টার্গেট তৌদুনা এটেক তৌখিবনি। মখোয় লোইনমক তুংদা আইভরিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা কাপ্পবদা শিখি হায়না গভর্ণমেন্ট সোর্ছনা ফোঙদোক্লি।

“নুংথিলগী মতমদা বসমগী বিচতা খুৎলাই পায়বা এটেক্কর তরুক লাকখি” হায়না আইভরিয়ন প্রসিদেন্ট অলাসেন উৱাটারানা থৌদোক থোকফমদুদা লাকপদা হায়খি। “মীচম ১৪ অমসুং স্পেসল ফোর্সেসকী লান্মী অনী শিখ্রে।”

ফ্রেঞ্চ ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেননা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না, এটেক অদুদা ফ্রেঞ্চমেন অমা শিখ্রে। অতৈ শিরিবশিং অদুগী নেসনেলিটিশিংদি হৌজিক ফাওবা খঙবা ঙমদ্রি, তৌইগুম্বসুং মীওই মরিদি য়ুরোপি-য়নশিংনি হায়না রোইটর্জগী পাউমীনা শরুক য়াখিবা ব্রিফিং অমদা ওফিসার অমনা হায়খি।

ভীক্টিমশিং অদুগী মনুংদা ফ্রাঞ্চ, জর্মনি, বুর্কিনা ফাসো, মালি অমসুং কেমারুনগী মীওই য়াওখি হায়রি। রোইটর্জগী পাউমী অদুনা গ্রান্দ বসমগী চেলসী হোটলদা অঙৌবা মীওই অহুমগী অশিবা হকচাংশিং উখি অমসুং থংননা লৈবা অতোপ্পা হোটল ইতোইলি দু সুদতনা অশিবা হকচাং অমা উখি।



অফ্রিকাগী খ্বাইদগী চাউবা সিটিশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মীওই মিলিয়ন মঙারোম লৈবা অবিদজানদগী মতেক অমা থৌরগা লৈবা গ্রান্দ বসম হায়রিবা মফম অদু চয়োলগী অরোইবা নুমিৎশিংদা বিচ চৎপশিংনা থন্না লৈবা রিত্রিট অমনি।

থৌদোক অদুবু উহৌবশিংনা হায়খি মদুদি, খুৎলাই পায়বশিং অদুনা বিচ তাবা খোঙলম্বী অমদা লাকখি অমদি ইরোইদুনা অমসুং নুংশা য়াইদুনা লৈবা মীওইশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লবা মতুংদা মখোয়না লঞ্চকী মতম ওইদুনা মী ময়াম্না চা-থক্তুনা লৈনবা মী য়াম্না তিনখিবা সিফ্রন্টকী হোটলশিংদা ওনশিনখি।

“মখোয়না নোংমৈ কাপ্পা হৌরকখি অমসুং মীপুং খূদিংমক চেন্নবা হৌখি।”

“মখোয় অদু কোইচেন চেন্দুনা লোৎনবা নুপী অমসুং অঙাংশিংনি” হায়না অতোপ্পা ৱিটনেস অমনা হায়খি।

মেরি বসোল কৌবা ৱিটনেস অদুনা মখা তানা হায়খি, নোংমৈ কাপ্পদু বিচতা হৌখি অমসুং মখোয়না অউ-অউবা মীশিংদা কাপখি।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা বিচকী অকোয়বদা লৈরিবা এরিয়াদগী মী ময়াম হোন্দোক্লুবা হোৎনখি। মনাক্তা নোংমৈ মরুনা ফাওখিবগী অহোবা মখুল ময়াম য়াওবা গাড়ীশিং খামদুনা লৈবগা লোয়ননা থোঙনাওগী অকায়বা গ্লাস মচেৎ-মকায়শিং লৈমায়দা চাইদুনা লৈবা উনখি।

অমুবা খোঙ্গ্রাউ অমসুং ঈনা য়োল্লবা শাংনা লাংবা ফুরিৎ লিৎপা এটেক্কর অমগী অশিবা হকচাংনি হায়বা অমা হোটল অমগী চঙফমগী নাকলদা তাদুনা লৈরমখি। মহাক্কী মকোক্তা নোংমৈ মরু অমনা পানবগী দাগফম লৈ। অশিবা হকচাংদুগী নাকলদুদা এক্সত্রা নোংমৈ মরুশিং পুবদা শীজিন্নবা কম্বেট ভেষ্ট অমসু লৈঙোইদা তারম্বগা লায়ননা পোকখায়দ্রিবা গ্রেনেদশিংসু মনাক্তা তারমখি।

হন্দক্তা লমদম অদুদা অতৈ এটেক কয়া পাঙথোকখিবা অল-কাইদা ইন দ ইস্লামিক মাখরেব (এ ক্যু আই এম)না নোংমাইজিং নুমিৎকী নোংমৈগী এটেকশিং অদু পাঙথোকখিবনি হায়না য়ু এসতা বেজ তৌবা এস আই টি ঈ ইন্টলিজেন্স মোনিটরিং গ্রুপনা এ ক্যু আই এমগী ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা ফোঙদোকখি। এটেক অদু শুপ্পগী মিলিটেন্ট অহুম্না পাঙথোকখিবনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

## ম্যান্মারগী সানদা মীওই লীশিং কয়া লাঞ্জেন্নরে

নেপিয়িটো, মার্চ ১৪ (এজেন্সী) ঃ

ম্যান্মারগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমদা হন্দক ইথনিক মাইনোরিটি রেবেলশিং অমসুং আর্মিগী মরক্তা খুৎ থোক্লুবা হেনগৎলকপদগী মীচম লীশিং কয়া ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে হায়না মুক্লবা অদুদা শরুক য়ারিবশিং অমসুং ৱিটনেসশিংনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

মিলিটরিনা শৌগৎপা গভর্ণমেন্টনা ওং সান সু চিগী নেসনল লিগ ফোর দিমোক্রেসিনা লূচিংবা সিভিল্যান গভর্ণমেন্ট অমদা পৱার শীন্নবা শেম শারকখিবগা লোয়ননা ম্যান্মারগী সান ষ্টেটতা হন্দক ঈরাং হেনগৎলকখিবনি হায়রি।

ম্যান্মারগী নোংপোক থংবা বোর্দরদা লৈবা অচৌবা চীংগী প্রোভিন্স অমা ওইরিবা সানদা ইথনিক মাইনোরিটিশিংনা অহেনবা ওটোনোমি নৎত্রগা নীংতম্বা তানবদগী চহী কয়া লীশাং শিংনা লালহৌবগী ঈরাং থোক্তুনা লাকখি।

খ্বাইদগী নৌবা লমদম অদুগী খুৎ থোক্লবা অদুদা মিলিটরিগা টাং নেসনল লিবরেসন আর্মি (টি এন এল এ)গা ওনশিন্নখিবনি হায়রি।

“নাকল অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্লবগী থৌদোক নোংমদা মরিরক্লোম থোক্লি অমসুং রিফ্যুজিশিংগী কেম্পশিং অদুদা মীওই লীশিং ৮ লোম লৈ” হায়না রিফ্যুজিশিংবু মতেং পাংলিবা লোকল টাহ ষ্টুদেন্টস বোদি অমগী মেম্বর মাই মিয়ো ওংনা হায়খি।

টি এন এল এ অসি মিলিটরিগা সিজফায়র এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনদ্রিবা গ্রুপ খরগী মনুংদা অমনি। লৈবাক অদুগী দিমোক্রেসিগী লূচিংবী ওং সান সু চিনা হান্না ফোঙদোকখিবা অমদা তোঙান তোঙানবা ইথনিক মাইনোরিটি রেবেলশিংনা মতম শাংনা লাল হৌরকখিবা ম্যান্মারগী বোর্দর এরিয়াশিংদা ঈং-চিকপগী ফীভম লৈহন্নবা হোৎনবনা মহাক্কী অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেসননা পায়খৎকদবা খ্বাইদগী মরুওইবা থবক ওইগনি হায়খিবনি।



ম্যান্মারগী মিলিটরিদগী করম্না চেন্নখিবগে হায়বদু ৱিটনেশিংনা ফোঙদোক্লখি।

“ম্যান্মারগী আর্মি লাক্লগা ঐখোয়গী খুঙ্গংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী ঐখোয়গী মীয়াম হৌদুনা চেন্নখি। খরনা মনাক নকপা উমংদা চেনশিন্নখি। মখোয় হৌজিকসু মফমদুদা লৈরি” হায়না অর হলা কৌবা চহী ৩৫গী নুপা অমনা রিফ্যুজি ১৫০ লৈবা মোনাষ্ট্রি অমদগী ফোনগী খুথাংদা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

## প্রসিদেন্ট মফম লৌথোক্লবা মীয়াম্না তকশিনখ্রে

সাও পাউলো, ব্রজিল, মার্চ ১৪ ঃ

শেঙ্গা-থুমজা তৌবা অমদি শেল-থুমগী থবক থৌরম কয়া মনিং হল্লকপদা খোইশাওনবা পোল্লবা ব্রজিলিয়ন লীশিং চা কয়ানা ঙরাং লেটিন অমেরিকাগী খ্বাইদগী চাউবা লৈবাক অদুগী লম্বীশিংদা থোক্তুনা প্রসিদেন্ট দিলমা রৌসেফপু মফম লৌথোক্লবা দিমান্দ তৌখ্রে।

ব্রজিলগী হঙ্গামপান অমসুং অশংবা মচুগী নেসনল ফিরালশিং অমসুং ফিরালগা মান্নবা মচুশিং উৎখিবা “দিলমা মফম লৌথোকউ” হায়বা খোল্লাউ লাউনখিবা ব্রজিলগী মফম খূদিংমক্কী প্রোটেষ্টরশিংনা লেফটিষ্ট লিদর অদুগী মায়োক্তা ইমপেচমেন্টকী প্রোসিদিংস থুজিন্নবা কোংগ্রেসতা প্রেসর পীনবা হোৎনখিবনি।




ওপোজিসনগী ষ্ট্রোংহোল্ড অমা ওইরিবা মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা সিটি সাও পাউলোদা মীয়াম্না সেন্ট্রেল এভিন্যুদা তিনখি। ওথোরিটিশিংনা মফম অদুদা প্রোটেষ্টর মিলিয়ন অমফাওবা পুল্লকপা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

“ঐখোয় হৌজিক ঐখোয়গী লৈবাক্কী ওইবা মরুওইবা ৱারেপ লৌনবগী পুংফম অমদা লৈরে। হৌজিক ঐখোয়না অহোংবা পুরকপা হৌরগনি” হায়না কেম প্রা রুৱাগী লূচিংবা রোজেরিও চেক্করনা হায়খি।

Phicomm Mobiles which was available only at ONLINE STORES, now available at the market.



PHICOMM
(( YOUR PORTAL TO SMART LIFE ))

Launching
Phicomm Clue 630

4G Roaming Support
Speed up with the latest 4G LTE
Support Dual Micro SIM.
Support Mobile Data Service While Calling On The Phone.

4G

Only at Rs. 5699/-

* Android 5.1(LOLLIPOP)
* Ultra Compact, Ultra slim
* 5" FWVGA Display
* Qualcomm Quad-Core, Snapdragon Processor
* 5MP FF + 2MP
* 1GB DDR3 RAM+8GB ROM (Expandable to 64GB)

2300mAh

HL-B/3010/13/03-12/04

# EMPLOYMENT NEWS

## CREATIVE SOLUTION CAREERS 2016

**Posted On 23-02-2016**

**Creative Solution Careers 2016:** Creative Solution India Pvt Ltd is providing the Hosting & Servers, Merchant Accounts, Mobile Apps, Social Marketing, creating the websites such as Domain Control password and Website password, satisfies Clients requirements with low Cost.

**(0 – 0 years) Java Developer Posts in Bangalore:** Creative Solution India Pvt Ltd is going to recruit the young talented candidates for the profession of Java Developer to work at Bangalore. Graduation, Post Graduation and Doctorate candidates are eligible.

**Job Summary:**
**Company Name:** Creative Solution India Pvt Ltd
**Experience:** 0 – 0 years
**Education:** Any Graduation/ Any Post Graduation/ Any Doctorate
**Location:** Bangalore
**Industry:** IT Services/ Software Services
**Role:** Software Developer
**Key skills:** Java
**Job Description:**
*Candidates should be expert in Java and Good communication skills.*

**Posted On 23-02-2016**

**Creative Solution Careers 2016:** Creative Solution India Pvt Ltd is providing the Hosting & Servers, Merchant Accounts, Mobile Apps, Social Marketing, creating the websites such as Domain Control password and Website password, satisfies Clients requirements with low Cost.

**(0 – 1 years) PHP Developer Openings in Bangalore:**
Creative Solution India Pvt Ltd is going to recruit the young talented candidates for the profession of PHP Developer to work at Bangalore. Graduation, Post Graduation and Doctorate candidates are eligible.

**Job Summary:**
**Company Name:** Creative Solution India Pvt Ltd
**Experience:** 0 – 1 years
**Education:** Any Graduation/ Any Post Graduation/ Any Doctorate
**Location:** Bangalore
**Industry:** IT Services/ Software Services
**Role:** Software Developer
**Key skills:** PHP, HTML
**Job Description:**
*Candidates should be expert in PHP, HTML and Good communication skills.*

**Posted On 19-02-2016**

**Creative Solution Careers 2016:** Creative Solution India Pvt Ltd is providing the Hosting & Servers, Merchant Accounts, Mobile Apps, Social Marketing, creating the websites such as Domain Control password and Website password, satisfies Clients requirements with low Cost.

**(0 – 0 years) Core Java Developer Openings in Bangalore:**
Creative Solution India Pvt Ltd is going to recruit the young talented candidates for the profession of Core Java Developer to work at Bangalore. Graduation, Post Graduation and Doctorate candidates are eligible.

**Job Summary:**
**Company Name:** Creative Solution India Pvt Ltd
**Experience:** 0 – 0 years
**Education:** Any Graduation/ Any Post Graduation/ Any Doctorate
**Location:** Bangalore
**Industry:** IT Services/ Software Services
**Role:** Software Developer
**Key skills:** Java
**Job Description:**
*Candidates should be expert in Java Development and Good communication skills.*

**Posted On 19-02-2016**

**Creative Solution Careers 2016:** Creative Solution India Pvt Ltd is providing the Hosting & Servers, Merchant Accounts, Mobile Apps, Social Marketing, creating the websites such as Domain Control password and Website password, satisfies Clients requirements with low Cost.

**(1 – 2 years) Asp.Net Developer Vacancies in Bangalore:**
Creative Solution India Pvt Ltd is seeking the young talented candidates for the profession of Asp.Net Developer to work at Bangalore. Graduation, Post Graduation and Doctorate candidates are eligible.

**Job Summary:**
**Company Name:** Creative Solution India Pvt Ltd
**Experience:** 1 – 2 years
**Education:** Any Graduation/ Any Post Graduation/ Any Doctorate
**Location:** Bangalore
**Industry:** IT Services/ Software Services
**Role:** Software Developer
**Key skills:** Asp.Net, VB.Net
**Job Description:**
*Candidates should be expert in Asp.Net, VB.Net and Good communication skills.*

**Posted On 19-02-2016**

**Creative Solution Careers 2016:** Creative Solution India Pvt Ltd is providing the Hosting & Servers, Merchant Accounts, Mobile Apps, Social Marketing, creating the websites such as Domain Control password and Website password, satisfies Clients requirements with low Cost.

**(0 – 1 years) Web Developer Vacancies in Bangalore:**
Creative Solution India Pvt Ltd is recruiting the young talented candidates for the profession of Web Developer to work at Bangalore. Graduation, Post Graduation and Doctorate candidates are eligible.

**Job Summary:**
**Company Name:** Creative Solution India Pvt Ltd
**Experience:** 0 – 1 years
**Education:** Any Graduation/ Any Post Graduation/ Any Doctorate
**Location:** Bangalore
**Industry:** IT Services/ Software Services
**Role:** Software Developer
**Key skills:** PHP, HTML, CSS
**Job Description:**
*Candidates should be expert in PHP, HTML, CSS and Good communication skills.*

**Contact Details:**
**Company Name:** Creative Solution India Pvt Ltd
**Website:** www.creative-solutions.co.in